ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩১৬শুবা মশীং

# কোভিদ ভেক্সিনেসন

### ভেক্সিন কাপ্পগী চাং হেনগৎলক্লিবসি থাজবা লৈরকপদগীনি

তমথিরবা লায়না-লাইচৎ কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক মালেম অসিগী মীয়াম্না মতম কয়া খৌরাংনা ঙাইরকখিবনি। য়ু কেদা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথবা হৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদসু চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকখি। মণিপুরগী ওইনসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নুমীৎ অসিমক্তদা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেমিনস)তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকখি। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসি হৌরকপা মতমদা মীয়ামদা থাজনদবগী ৱাফম কয়া অমসু থোরকখিদবা নত্তে। ইন্দিয়াগী ওইনা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা ভেক্সিন অসি কাপ্পা হৌখি। ওক্সফোর্ড এসত্রাজেনেকানা পুথোক্লগা সেরম ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা কোভিসিল্ড অমসুং ভারত বাইওটেক্না শাদুনা ইন্দিজিনস ওইনা পুথোকপা কোভেক্সিন হায়রিবা ভেক্সিন মখল অনী অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কাপ্পা হৌখিবনি। ভেক্সিন কাপ্পা হৌরকপা মতমদা সাইট ইফেক্টশিং লাকপা য়াই হায়না কিবদগী হিদাক কাপ্পা থোরকপা মীগী মশীং চাং য়াম্না নেমখি। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পদা অকিবা পোল্লিবা মীওইশিংগী চাদা ৩৯দি সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেটতা লৈরিবা লুচিংবশিংদা হান্না কাপ্লবদি মীয়ামবু হিদাক কাপ্পবগী হিদাক কাপ্পবগীদমক শেম-শাদুনা লৈ হায়না হন্দক্তা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা লোকল সর্কলগী সর্ভে রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ওইনদি পোলিটিকেল লিদর কয়া কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিস কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা য়ু কেগী ওইনসু ক্বিন ভিক্টোরিয়া টু অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনসু কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রবনি।

মণিপুরগী ওইনসু কোভিদ ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ হৌরকপা মতমদা ভেক্সিন অসি কাপ্পগী চাং য়াম্না নেমখি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা কাপ্লিবা কোভিসিল্ড ভেক্সিনগী মরমদা লান্না শন্দোকপা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবনি। লোকল সর্কলনা পুথোকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী মীওইশিংগী চাদা ২৩না থা ৩/৩ লৈরগা ভেক্সিন অসি কাপ্পা পাল্লি। চাদা ১৬ রোম্না থা ৩দগী ৬ ফাওবা ঙাইবা পাম্মী। চাদা ৯না থা ৬তগী ১২ ফাওবা অমসুং চাদা ৫না থা ১২ হেন্না ঙাইবা পাম্মী। অদুগা লেমহৌরিবা চাদা ৫ না হিদাক অসি কাপ্পা শুকপাম পামদ্রি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন ৭কী মথক্তা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী ফেব্রুৱারী ১২ ফাওবদা পুন্না মীওই ১৯,২৬৬তা কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপখ্রে। মসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ১৬,৭৬১ অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ২৫০৫ য়াওরি। ষ্টেট অসিদা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং অসি হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা খঙহেন হেনগৎলক্লি। ভেক্সিন কাপ্পগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি থাজবা লৈরকপদগীনি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং, মমিং লৈরবা হোস্পিটালশিংগী মশক নাইরবা ডোক্তরশিং য়াওনা হেল্থ ক্যের ৱর্কর কয়াদা ভেক্সিন কাপখিবা অসিনা মীয়ামদা থাজবগী চাং হেনগৎলকখিবনি হায়না লৌই। মীয়ামদা থাজবগী চাং অসি হেনগৎহন্ননবা হোৎনদুনা মীপুম খূদিংমকপু ভেক্সিন অসি কাপথোকহন্ননবা থৌরাং লৌখৎপদি মথৌ তারি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা ‘উশিন’ হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) ‘ত্যাগপত্র’ হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা ‘শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং’ হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) ‘শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।’ শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সিগীদি মনা লৈত্রিবা করিগীনো?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

চাক চারিঙৈদা খাক শীৎপগী, নপ শীৎপগী মখোল তারবা নুমিৎতুমা চাক অদুম চাদ্রে। পূক থনগে থল্লু থল্লোই তোকউ খাঙুথক্তা ফুক অদুম হৌগৎলে। নপকা খাক্কা অনী অসি পোৎথোক অমত্তনি। ওন্থোক্লা হঙ্গোইজখ্রে। মসি ঐ খক্তনা হঙ্গোইবা পোৎশক অমদি করিসু ওইরল্লোই। অঙাংগী অমাং-অশোয় অসিমসুনি ঐনা য়াম্না হঙ্গোইজবা অমগা হায়রদি। হয়িংনচিংবা, হুইনচিংবা জীবশিংনদি মখোয়গী খ্বাইদগী পাল্লবা বেলেন্স দাইট হায়বদু ওইরমগনি হায়না খল্লি। ঙসিগী আর্টিকল অসিফাওবা হেক ইবা হঙ্গোইজে।

মথক্কী ৱাফম অসি করিদগী খল্লকপনো হায়বদু অমুক্তং শমপৎনা শৈথাজরক্কে। নহান নোংমদি লোকদাউন কোমথোরকপগী অফা অপূন্নবা কয়া লৈরক্তবা অসিদা ইরিল তুরেল তোর্ব্বান কোয়বা চৎলি। নুমিদাংৱাইরমনি। কনাম য়াওদে ইথন্তনি। কিলোমিটর কুন-কুন্থ্রাদি কোয়রমগনি ঐগী স্কুটর অদু তোংলগা। য়েংবা নুংঙাই ইশং শংলদনা তোর্ব্বানসু ঈচেলসু। মতাং মতাং চাবদা ফোটোসু কাপ্পী, মোবাইল ফোন পুথোক পুথোক্তুনা ঐনা। মীনবু করি অমুক খল্লমদৌরিনো? ফোটো কাপ্পিংবা অমা লৈরে কাইনা ফোটো কাপ্লুবা য়াবা লম নত্তে। মণিপুরদদি খূপাক চাগদৌরিবনি, মতা অমনি। খূপাক চাগেরা হায়রকপদা মায় ঙাঙগনি। হায়বা য়াই। ৱাখল অসি মফাং মফাংই, হান্নগীদা অমুক লাকচগে।

ইরিল তুরেল এক্সপিদিসন অদু ঐগীদি ঐগী স্কুটরগা ইবানিদনি। মৌ নহা অমা ইরিল তুরেলদা ফি শূহৌই। অঙাং অনৌবা চেনবা মাল্লি। মানা শূরিবা নীংথাগী মচু য়েংলগা খঙই। অচৌবা খূদেং অমদা সরফ হায়বা ফিসু হীদাক অদু হাপ্পগা ঈশিংদা জোম জোম শূই। মদু লোইরগা তুরেলগী থোঙ্গ্রা অদুদা পুথরগা তুরেল ঈশিংদা নীংথা ময়াম অদো তরু-তরুনা শেংনা থাদোকই। মাদা নত্তে মৌ নহা কয়া কয়া অমসু ফি শূবা নত্তবা ইরুজবা, ঙা ফাবা কয়ানি।

খরা চৎলগা মরক মরক্তা তুরেল মপান্দা অমাংশঙ কয়া অমসু উরে। লৈঙাক্লা তুরেল খোংবান্দা অমাংশঙ শাহন্দনবা থবক নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা লৌখৎলক্কনি থাজে। হঙ্গোইজখ্রে মসিদগী মচুমশিং তুরেলদা চুমদ্রিং চুমদ্রিং চেন্থবা উই। য়াম্না ফরক তাবা দৃশ্য অমনি। ঐনা



ৱাখলদা খল্লি কুনমাথোইশুবা চহী চাগী অহানবা মপূংনিকো হৌজিকসে। ৱা ৱা ৱা! মী য়াম্মনখিদনা কোন্নবা ঙমদ্রবজাৎনি।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ওক অমদি ঙানু লোয়বা অসিসু, ষণ লোয়বা অসিসু তুরেল খোংবালদা য়াম্না উনরে। মায় পাকপা করবাররনি। ওক লোয়বগী মচুম অদু তুরেলগী ঙানা হাওনা চাজরিবনি। পুখ্রি, খোংবান লৈরক্তদুনা ঙানুগী চাক্তাফম লৈরক্তবা অসিসু তুরেলনা কোকহনবীরি। তুরেলশিং অসিগী মরক্তা খ্বাইদগী অফবা ঈশিং পীরিবা অমদি মহাউ লৈবা ঈশিং পীবীরিবা তুরেল অসি ইরিল তুরেলসু অমনি। ইরিল তুরেলগী ঈশিং টেঙ্কি টেঙ্কি নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা লেপ্তুনা খা-ৱাং হোন্নরি। ওক লোয়বগী, ষণ লোয়বগী, ঙানু লোয়বগী মচুম অদু য়াওজরবসু ঈশিং অদু প্রোসেস তৌরগা থক্কদৌবনিনা থোইনা অদুম কায়রল্লরোই।

মতম অমদা ইরিল তুরেল অসি মং (লৈঙাক্লা শাবা মং) উরমদে। তুরেল খোংবালদা অশিবা অদু পুথরগা পুঙ, ঝান খরা খিংলগা শীং খরা লৌরুরগা হেক্তা পোৎলোইথোক্লগা লেমহৌবা হকচাংগী শরুক অদু তুরেল খোংনুংদা অদুম ফুমজিনবগী মওং উরম্মী। কনাগুম্বনা তোর্ব্বান মথক্তা ফুম্বসু য়াওই অদুগা কনাগুম্বনা তুরেল খোংনুংমক্তদা তৌনৈ। ঐদি মসি কয়া হৈনজদে। মাগী মাগী ৱাখল হায়বদুনি। ঐদি মসি তৌহৈদে হায়নীংই। ইপা ইপুনা তৌরম্বা থবক ওইরবসু নাতৈ চারোইদৌবা, হঙ্গোইগদৌবা ওইরবদি থাদোকপা ফৈ। হৌজিক্তি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মং শানবা ফন্দ কয়া কায়থোকপীরক্তুনা ইরিল তুরেল তোর্ব্বান্দা মং ফনা য়াম্না শাবা উরে। মংগী পোৎলোইবগী উৎ মকুম মকাই ময়াম অমা ঈশিং ঈচাও অমুক লাকপদা অদুম্মক চামথোকচখিবা পোৎনি। হঙ্গোইদ্রদি কৈসুকপুদি কায়দবজাৎনি।

চারিঙৈ থল্লিঙৈ নপ খাক শীৎলকপা তাবা ঙমদনা মীশিং অমদি অঙাংগী অমাং অশোয় হৈনজদবা মীওইশিং মফমদদি তুরেলগী ঈশিং অসি হঙ্গোইদনীংঙাই মরৈরম্মোই। ৱেট লেন্দ কনবা, তুরেল ঈশিং কনবা, উ-ৱা কনবা লোইনমক দরকারনি। নোংমা নৎত্রগা নোংমা তুরেল ঈশিং কন্নবা লাক্লবা লূপ অমত্তং থোরক্লবদি মনা ফংবসু য়াই। মনা পীবসু য়াই। সিগী মনা লৈত্রিবা করিগীনো? ●

# নেসনল হোর্টিকলচর ফ্যের ২০২১

**নবকুমার ওইনা**

মীওইবনা খুন্দা লৈতাবা হৌরকপদগী হোর্টিকলচরগী ৱাখলসি শাগৎপা হৌরকই হায়গনি। কোয়চৎ চৎলগা হৈ-রা হেক্লগা চারম্বদু অনকপা মফমদগী হেকপা পাল্লকপদগী শা-ষণনা শোক্তনবা ঙাক শেনবা তারকই। মথং চহীগী খল্লগা অনৌবা পাম্বী থাবা তারকই। মতমগী মতুংইন্না অফবা উহৈ খনবা পাল্লকপা তাবনি, হৌজিক্লা অফবা শেম্বা ঙল্লে।

ইয়াম্বা মঙ্গিনা হায়রকপদগী ‘নেসনল হোর্টিকলচর ফ্যের ২০২১’ য়াওবা ফংলে। ফেব্রুৱারী ৮দগী ১২ ফাওবা নেসনল লেভেলদা তৌবনি, নোর্থ ইষ্টকী ওইনা ফেব্রুৱারী ১১দা আই সী এ আরগী হোলদা কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। ইন্টরনেটকী খূথাংদা গুগল মিটতা কনফরেন্স তৌরগা ষ্টেট কয়াগী মীহুৎনা ৱা ঙাঙবা, ফার্মর কয়াগী মায় পাকপগী ৱারী অমসুং মনা-মশিং, হৈ-রা অমদি লৈ মখল কয়া থাবগী ৱারীগা লোয়ননা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবা ফাওবা উৎখি। নোর্থ ইষ্টকী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ফার্মরগী মনা ত্রিপুরাগী শুভাস সেল শর্ম্মানা ওইখি। অসিগুম্বা মনা অমা লৈ হায়বসি লৌউ-শিংউগী থবক তৌরিবা মীপূম খুদিংদা ময়েক শেংনা খঙহনবা চঙই। মদুগীদমক কে ভি কে সেন্টর কয়ানা কন্না হোৎনরি, মদুগীদমক সাইন্টিষ্ট কয়ানা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনরি। লৈঙাক্লসু শেন্থং কয়া পুথোক্তুনা হোৎনরি হায়বা মীপূম খুদিংদা ময়েক শেংনা খঙহনবা অমসু চঙলি। মীপূম খুদিংদা পাউ ওইনা খঙহনবা ঙমদ্রবদি কান্নবা ৱাৎপা য়াই খনবদগী নেসনল লেভেলদা হোর্টিকলচরগী ওইবা ফ্যের ২০২১ অসি শিনবা ওইগনি। কোভিদকী পেন্দমিক মনুং ওইবগী ইন্টরনেট শীজিন্নদুনা পাঙথোকপসু ওইগনি। উহল্লিবা ময়ামদুমক মীয়ামদা খঙহনবা পাম্বদগী পাউদমজবনি।

চাদ্রবদি হিংবা ঙমদে, চানবা পুথোকপা হায়বসি মীওইবগী থৌদাং ওইরবনি। মীপূম কয়ানা থৌদাংদু খঙনা হিংবা ঙম্নবা থবক শূরিবগে? চুম্নতগী লৈঙাক পায়বগী থবক অমা তৌবা ফংলগা থবক ফংলবনি খনবা ৱাখলদু থাদোকপা মতম ওইরে। থবক শূদনা অরৈ-অরা তৌরগা শেন্দোং তানগে হায়বসি হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ নৎত্রে হায়বসি খঙনরবনি। অরাংফম ওইরিবশিংনসু মনুং-মপান ফাওনা থম্মোয় শেংনা থবক পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনফম থোক্লবনি। হিংনবা হোৎনবসিদা চঙলিবসি থম্মোয় শেংনা ওর্গানিক্কী ওইবা চিঞ্জাক কয়া পুথোকপা হায়বসিসু তঙাইফদবা ওইরক্লে। চানবা পুথোকপা হায়বসি লৌমীনা ওইরম্বনি। ঙসিদি মীওই ময়াম অমা চঙলে, সাইন্টিষ্ট চঙলে, ফার্মরশিং অনৌবা লৌশিংগী মী ওইদবা য়ারক্ত্রে। লমদমসিগী ওইনা হন্থবা থাক্তা লৈবা শিন্মী ওইনা লৌবসু লাল্লি। পোথোক য়োন্নবা লল্লোনবা মীশিং, থৌশিল অদুমক মায় পাক্লবা লৈঙাক্কী ওফিসরশিং অমসুং ইলেক্টেদ মেম্বরশিং পূম্নমক তঙাইফদনা পাউ ফাওনবসু চঙলি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনসু শিন্মীগী থাক্তা লৈবশিংনা ফার্মর অমগী থাক্তা লাকপা ঙমদ্রি হায়গনি। কো-ওপরেটিভ মায় পাকপসু ৱাৎলি হায়গনি। করম্না প্রাইভেট ফার্মরশিং খরনা পোথোক য়াম্না পুথোকপা ঙম্লবগে। পোথোক লৈবা মখল কয়াগী মরূ পুথোক্লবসু লৌশিংগী অৱাৎপা, শেল লৈতবগী অৱাবা কয়া লৈরবদি করম্না চাবা কোন্নবা মহৈ-মরোং পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো? সাইন্টিষ্টশিংনদি অফবা মরূ পুথোক্লে, লৌফম ফংলে, শিন্মীশিং ত্রেনিং পীরে, শেন্থংসু পীরে হায়রসি চাবীনবা, লৈবীনবা মীদি হেক্তা মৱাৎলি। ঙা কৌতা, মপানগী হৱাই, আলু, তিলহৌদা হেক্তমক লৈনখিগনি। নোংমগী চঙদবা য়াদবা চাংদগী হেঞ্জিন্না হেক্লবসু কংলগা মাঙবা য়াওরিবনি। অচৌবা কোল্ড ষ্টোরেজ লৈত্রবসু নোংমা নীনিগী লেকথদনা থম্বা য়ানবা পোলিথিনগী বোক্স অমদা পুথোক্লরকপা উৎলকই। মদুমক শীজিন্নবগী ৱাখল্লোন্দুদি লমদম অসিদা উদ্রি হায়বা য়ারি। অরায়বদা ফি অচোৎপা অমনা কুপশিল্লবসু পুং খরদি য়াবনি হায়বা খঙনদ্রিবনি। খুদম অমগী ৱানি, সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা পোথোক লৈরবা মরূ মরাংশিং চেনবদসু কিটচন গার্দেন তৌজবা মীশিংগীদি অৱাবা য়াওদবা নত্তে। পাম্বী তরা-কুন থাবা পামজবশিংগী অশেংবা চার ওইনা য়োনবা তারক্লি। কৈথেলদা য়োনবা খরা হেক্তা লৈরগা থাবদা শেংদবা মখলগী ওইরম্বদগী মতমসু মাঙবা, পাঙ্গলসু মাঙবা, পোথোকসু ফংদবা য়াওদবা নত্তে। মসিগুম্বসি থোক্তনবা কে ভি কে সেন্টরশিংদগী পাউতাক কয়া অমা লৌবা ফংলে।

অনকপা মফম খরগীদি ফরে। য়াম্না লাপ্পা মফমশিংদগী পোথোক কয়া পুথোক পুশিনগী অৱাবা মায়োক্লরি। কোম্লা-চমপ্রা য়াম্না পুথোক্লক্লবসু চাবীনবা মী ৱাৎলি হায়গনি, চাবগী হৈনবী লৈত্রি, মমলগী খল্লগা লৈবা ঙমজদবা ইমুং কয়াসু লৈরি। হায়বদি য়াম্না পুথোক্লগা মমল হন্থহন্দবা য়াদবসু লৈরি। মপান্দা থাবগী মমলদু খুঙ্গংদা য়োনবদা লৌবা য়ারক্তবগী ৱাশু লাক্লি। মহৌশাগী ত্রেদিসনেল মেথদ কয়াদুনা য়ারক্ত্রবা মতমসিদা হোর্টিকলচর ফ্যের অসিনা কান্নবা কয়া’মা পীরিবসিনা ফার্মর অমসুং কঞ্জুমর অনীগী মরক্তা লৈরিবা অহোবা কয়াসি মেনশিনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। নুমিৎসিগী পুং ৯.৩০দগী হৌরগা চাকলেন অমসু পীজবা, টি এসু পীরগা য়াওবা ফংলিবা মীওই কুন্থ্রামুক অদুগী মহুৎ শীল্লগা কে ভি কে, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসলশিংবু থাজবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। চানবা হৈ-রা, মনা-মশিং, লৈতেংগী লৈ থাবসি হৈত্রবদি অরি চক্কী মীওই ওইনা লৈবা তারক্লি। রোকেট থাগৎপগী থবক্তা লমদমসিগী মীওই য়াওরি। মালেমসিনা কায়দ্রিবা ফাওবা চাদবা য়াদ্রবা চিঞ্জাকশিং পুথোকপদা এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচর কোলেজশিংনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসিমক ইমুং খুদিংদা খঙহনবা তারক্লি। চুম্নতংগী অফবা চিঞ্জাক চাবদুদং নৎত্রে, মীওইবগী হিংবগী থাক ৱাংখৎনবা লৈবাক মচা তাবা হ্যুমেন সিভিলাইজেসনগী লম্বী অমসু ওইরিবনি হায়বসি মীপূম তিংনা খঙমিন্নবা তারক্লি।

অফবা চিঞ্জাক পীজবা হায়বসি অফবা লৈঙাক্কী থৌদাং অমনি। ভোটতা থৱায় য়াওবগা হোর্টিকলচরদা থৱায় য়াওবা মী মশীংগা করম্বনা হেল্লিবগে খঙদোকপা কান্নগনি খল্লি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কবোকলৈ # ২৭৮

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মশক মতৌ ফজবা লৈশিংগী মনুংদা কবোকলৈ পাম্বী অসিসু অমনি। অদুবু লৈ অসি থোইদোক্লা মনম নুংশিবা হায়বদুদি ওইদে। পাম্বী অসিগী লৈ অসি ঙৌরোক ঙৌনা হেক য়েংবদা ফৌ নৎত্রগা চুজাক্কী কবোক মানবদগী থোইদোক-হেন্দোক্লা কবোকলৈ হায়না কৌনৈ। কবোকলৈ পাম্বী অসি ইংলিসতা গার্দেনিয়া Gardenia) নৎত্রগা কেপ জেসমিন (Cape Jasmine), হিন্দি অমসুং বেঙ্গোলিদা গন্ধরাজ (Gandharaj), উর্দুদা গুলচান্দ (Gulchand), নেপালিদা ইন্দ্র কমল (Indra Kamal) নৎত্রগা থাল কমল (Thal Kamal), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *গার্দেনিয়া জেসমিনোইদিস (Gardenia jasminoides J. Ellis)* হায়না কৌই অমসুং রুবিয়েসী (Rubiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি কোফী পাম্বী (Coffee arabica L.), লাংবন কৌখা (Hedyotis auriculata L.), হামৈবোন পাম্বী (Ixora coccinea L.), মৈতৈ লেম্থুম পাম্বী অসিনচিংবনি। কবোকলৈ পাম্বীগী অতোপ্পা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদি গার্দেনিয়া ফ্লোরিদা (Gardenia florida L.) হায়না কৌই। কবোকলৈ পাম্বীগী ইংলিসকী ওইবা মমিং কেপ জেসমিন কৌনবগী মরমদি পাম্বী অসি হেক য়েংবদা জেসমিন হায়বদি কুন্দো পাম্বীগী লৈ মানবা অদুগা পাম্বী অসি ইহান-হানবা ওইনা খা অফ্রিকাদা লৈবা কেপ ওফ গুদ হোপ (Cape of Good Hope) হায়রিবা ঈথৎ অসিদগী পুথোকখি হায়না থাজনবদগীনি। কবোকলৈ পাম্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা গার্দেনিয়া জেসমিনোইদিস হায়বসি ইংলেন্দগী য়াম্না ফাওখিবা ইলিস (Ellis) হায়রিবা বোটানিষ্ট অসিনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৬১দা নৈনখি অমদি মমিং থোনখি। অহানবদদি পাম্বী অসিগী জিন্স অদু ইংলেন্দদা ইহান হান্না থাখিবা ৱার্নর (Warner) গী মমিং লৌদুনা ৱার্নেরিয়া (Warneria) হায়না থোনবদুদা ৱার্নরনা মহাক্কী মমিং লৌদুনা থোনবীগনু হায়রকপদগী জিন্স অসি গার্দেনিয়াদা ওইনা থমখি। জিন্স গার্দেনিয়া অসি গার্দেন (Garden) হায়বদি হৈকোল-লৈকোল হায়রিবা ৱাহৈ অসিদগী থোনখি। মরমদি কবোকলৈ পাম্বী অসি মতমদুদা হৈকোল-লৈকোলদা হায়বদি গার্দেনদা য়াম্না পাম্না অমদি মগুন লৈনা থানখিবা পাম্বী ওইখিবা অদুদগীনি।

কবোকলৈ পাম্বী অসি ফুট ২দগী ৪ ফাওবা ৱাংবা, মখোক অদু উগুম্না কনবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু থাতক তৌনা মচু অদু শংত্রিক শংই অমসুং লংখৎলি। পাম্বী অসিগী লৈশিং অদুগী মচু অদু ঙৌরোক-ঙৌই অমসুং থোনতক তৌবা লৈশিং অদু সেন্টিমিটর ৫ রোম চাউই অমসুং লৈনা অদু পরেং ২ চৎলি। লৈশিং অদু মতম শাংনা শাৎলি। কবোকলৈ পাম্বী অসি এভরগ্রীন (Evergreen) হায়বদি মতম পূম্নমক্তা মনাশিং অদু শংদুনতা লৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না কবোকলৈ পাম্বী অসি এসিয়া লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, জপান, ভিয়েটনাম, খা থংবা চাইনাগী মফমশিং, কোরিয়া অমসুং টাইৱানগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। চাইনাগী সোং লৈঙাক (Song Dynasty) মতম হায়বদি খৃষ্ট ৯৬০দগী ১২৭৯ গী মতমদা কবোকলৈ পাম্বী অসি হৈকোল-লৈকোলশিংদা থান্নখ্রে অমসুং লাই কয়ামরুম য়েক্তুনা শীজিন্নরক্লে হায়না পাউদমলি। চাইনাগী মিঙ লৈঙাক (Ming Dynasty) হায়বদি খৃষ্ট ১৩৬৮দগী ১৬৪৪গী মতমদা মখোয়গী কপ-প্লেট (Cup-Plate) শিংদা কবোকলৈগী মমিশিং য়েক্তুনা শীজিন্নরম্বগী পাউদমসু ফংই। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না কবোকলৈ পাম্বী অসি ইংলেন্দদা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৪৪দা পুরকখি অদুম ওইনমক খৃষ্ট ১৭৫৭ খক্তদগী গোর্দোন (Gordon) হায়রিবা বোটানিষ্ট অসিনা পাম্বী অসিবু মায় পাক্লা চারা শেমদুনা কৈথেলশিংদা য়োনবা হৌখি। অমেরিকাদদি কবোকলৈ পাম্বী অসি ইহান হানবা ওইনা খৃষ্ট ১৭৬২দা চার্লসটন গার্দেন (Charleston garden) দা থাবা হৌখিবগী পাউদম লৈ। ঙসিদি কবোকলৈ পাম্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা অশাবা লমদম (Subtropical) দগীনা খরা শারপ তৌবা (Warm temperate) কী মফমশিংদা য়াম্না পাম্ননা পাক শন্না থান্নখ্রে। ঙসিদি কবোকলৈ পাম্বী অসি লৈ য়াম্না চাউবা, মনম য়াম্না নুংশিবা অদুবু ইৱাং-ৱাংদবা ভেরাইটিশিং পুথোক্তুনা মালেমগী মীয়াম্না পাম্নবা লৈ পাম্বী অমা ওইনা থান্নরে। কবোকলৈ পাম্বী অসি রোয়েল হোর্টিকলচরেল সোসাইটিনা এৱার্দ ওফ গার্দেন মেরিট (Award of Garden Merit) তা চলহনখ্রে। থোইদোক্লা মগুন লৈবা অমসুং মীয়াম্না পাম্নবা কবোকলৈ পাম্বী ভেরাইটি নৎত্রগা কলটিভর (Cultivar) খরদি রেদিকেন্স (Radicans), ফোর্চুনিয়ানা (Fortuniana), মিসতেরী (Mystery), আইমী (Aimee), শুটিং ষ্টার (Shooting star), চুক হেজ (Chuk Hayes), সমর-স্নো (Summer snow), ক্রাউন্দ জুৱেল (Crown jewel) অসিনচিংবশিং পনবদা মতিক চাই।

খঙজিনবদা থোইদোক্লা কান্নগদবা ৱাফম অমদি কবোকলৈ পাম্বী অসি অশিনবা লৈবাক লৈশাদা (Acidic soil - it is a Calcifuge) য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। অয়াকপগী চাং হেন্না য়াওবা (Alkaline) লৈবাক-লৈশাদদি পাম্বী অসিগী মনা অদু হঙ্গাম মপাল চঙবগী লায়না (ক্লোরোসিস-Chlorosis) অসিনা নাগল্লি। মরম অসিনা শিনবগী চাং ৱাংবা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা কবোকলৈ পাম্বী অসি থাবদা য়াম্না চুনগনি।

পাউদমগী মতুংইন্না কবোকলৈ পাম্বীগী মহৈদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি জেনিপিন (Genipin) অমসুং জেনিপোসিদিক এসিদ (Geniposidic acid) নি। সেফ্রোন পাম্বী (ক্রোকস সতাইভস) হায়রিবা মরু ওইনা জমু এন্দ কাশ্মীরদা হৌবা পাম্বী অসিদা মরু ওইনা য়াওবা ক্রোসেতিন (Crocetin) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি কবোকলৈ পাম্বীগী মহৈদা য়াওবগী পাউদমসু লৈ। কবোকলৈ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। কবোকলৈ পাম্বীগী মহৈদা য়াওরিবা ক্রোসিন (Crocin) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসিদগী হঙ্গাম মপালগী মচু অমা শেম্বদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা মচু অসি ফি-রোল অমসুং চিঞ্জাকশিং মচু শংবদা শীজিন্নৈ। পোলিনেসিয়াগী মীওইশিংনা কবোকলৈ অসি লৈ পরেং ওইনা শীজিন্নৈ। কবোকলৈগী মপাল অসি হিংনা নৎত্রগা আচার শেমদুনসু চানৈ। চাইনাগী অরিবা লায়েং পথাপ্তা কবোকলৈগী মপাল অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা অরুম-লাইহৌ তৌবা অদু লায়েংনবগী মথক্তা অপোম-অতং তৌবদসু থোমলগা বেন্দেজনা য়েৎশিল্লগা লায়েংবগী পাউদম লৈ। এটোপিক দর্মেটিটিস (Atopic dermatitis) নৎত্রগা ইকজেমা (Eczema) হায়রিবা উনশাগী লায়না অসি লায়েংবদা শীজিন্নরিবা মনা-মশিংদগী শাবা চাইনাগী সিসিহাকুহিতো (Shishihakuhito) হায়রিবা হীদাক অসি শাবদা কবোকলৈ পাম্বীগী মহৈ অসি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবনি। অদুবু চেকশিনবীগদবদি খৃষ্ট ২০২০দা নুপী অমা কবোকলৈগী মহৈ য়াম্না চারুবদগী ব্লু-গ্রে দিসকলরেসন হায়রিবা উনশাগী লায়নানা নাখি হায়বগী পাউদম লৈখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।